# বাঘদাদতা সুইসাইদ বোম এটেক অনী চথখ্রে, মীওই ২৮ শিখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
ইরাককী কেপিটেল বাঘদাদকী কৈথেল অমদা শগোলশেন নুমিত্তা চথুরকখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিরে অমসুং ৫০ হেন্না শোক্লে হায়না সিকুৢরিটি অমসুং মেদিকেল সোর্চশিংনা ফোঙদোরক্লি।




চহী কয়ামুক্কী মনুংদা অহানবা ওইনা বাঘদাদকী কৈথেলদা অমুক্তা বোমগী এটেক অনী চথুরকখিবনি। এটেক অদু খুদক্কী ওইনা কনামত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে। কুমজা ২০১৭ তা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপ মায়থীবা নঙখিবদগী ইরাকি কেপিটেলদা সুইদাইদ বোম এটেক্কী থৌদোকশিং থোকখিদ্রে হায়বা য়াই। ইকোন কোনবা সুইসাইদ বোম এটেক অদু কুমজা ২০১৮ গী জন্যুৱারীদা থোকখি।

ইরাকি মিলিটরিনা হায়, এটেক্কর অনীনা সেন্ত্রেল বাঘদাদকী টায়ারন স্কৱারদা লৈবা মী চিনবা কৈথেল অমদা পোৎচৈ লৈবা লাক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা মখোয়গী মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা এটেক চথখি অমসুং মীওই কয়া শিখি। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখিবদা, মীওই অনীনা মশা শিজদুনা চথখিবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিখ্রে। অশোকপশিংগী মরক্তা ফীভম লুবা য়াওবনা অশিবশিংগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই।

সোসল মীদিয়াদা শন্দোরকখিবা ভিদিও অমদা অনীশুবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা কৈথেলদুদা পুল্লম্বা মীয়াম পুমচাই চাইবগী শক্তম উখি। মীওই কয়া শিবা নত্রগা শোকপগী মওংদা উখি।

ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং য়ু এসনা শৌগৎপা কোলিসননা ইস্লামিক ষ্টেটপু বাঘদাদতগী তকথোকখিবদগী সিটি অসিদা অসিগুম্বা এটেককী থৌদোকশিং থোকখিদ্রবনি। সিটি অসি আই এসনা কুমজা ২০১৭ তা কন্ত্রোল তৌখিবনি। বাঘদাদতা ইকোন কোন্না সুইসাইদ বোম এটেক থোকখিবসি কুমজা ২০১৮ গী জন্যুৱারীদনি। মদুসু টায়ারান স্কৱারদা থোকখিবনি। শাথিরবা ব্লাষ্ট অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিখি।

মতম শাংনা থোক্লকখিদ্রবা মতুংদা চথুরক্লিবা এটেক অদু করম্বা গ্রুপ্না ওইরম্বা য়াই হায়বগী মতাংদা ইরাকি ওথোরিটিশিংনা পল্লকখিদ্রবসু মদু টেররিষ্ট এটেক অমনি হায়খি। মহৌশানা ইরাকি গভর্ণমেন্টনা টেররিষ্ট এটেক হায়রক্লবদি মদু ইস্লামিক ষ্টেটনা চথুবা এটেক ওইরম্বা য়াই হায়বগী চাংনবা উৎলে।

# নভালনি শৌগৎপা প্রোটেষ্টশিং চহী নৌরিবশিংদা প্রমোট তৌদনবা রশিয়ানা সোসল নেটৱার্কশিংদা খঙহনখ্রে

*মোস্কো, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :*
*জেলদা থল্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক নভালনি শৌগত্তুনা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদবা রেলিশিংদা য়াওনবা চহী নৌরিবশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা পোষ্টশিং শন্দোকপা লেপ্লবা রশিয়ানা ভিদিও স্যেরিং এপ টিক টোক য়াওনা সোসল নেটৱার্কশিংদা খঙহনখ্রে।*

*প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী মশক নাইবা ক্রিটিক ওইরিবা নভালনি মিলিটরি গ্রেদকী নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নদুনা পোইজনিং তৌখিবদগী জর্মনিদা লায়েংলবা মতুংদা অহানবা ওইনা রশিয়াদা হল্লক্লবা মতুং হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা দিটেন তৌখি। মতুং তাবদা মহাক পেরোল ভাইওলেসনগী মরালদা জেলদা থমখিবনি। মহাক্না প্রসিদেন্ট পুটিনবু মহাক হাৎনবা ওর্দর তৌখি হায়না মরাল শিখি।*

*অমরোমদা ত্রেম্লিননদি ৱাফম অসি য়াদ্রি। মহাকপু ফাজিন্দুনা থল্লিবদুগী মায়োক্তা মহাকপু শৌগৎপশিংনা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক শীন্থুংনা প্রোটেষ্ট কৌরিবনি।*

*কম্যুনিকেসন ৱাটচদোগ রোস্কোমনাদজরনা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা টিক টোক অমসুং রশিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সোসল নেটৱার্ক ভি কোন্টাবোটেদা চহী নৌরিবশিংগী পুন্সি অমসুং হকশেলবু খুদোংথিবা নংহনবা য়াবা মওংদা মখোয়বু ইলিগেল এক্টিভিটিশিংদা শরুক য়ানবা পুক্লিং থৌগৎপা থোক্কদবা ঈ-পাউ শন্দোকপা থিংনবা হায়খি।*

*টিক টোক প্লেটফোর্মদা লোনা য়াদবা অসিগুম্বা ইনফোর্মেসন শন্দোকপা থিংনবগী মপুং ফাবা থৌরাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা ঐখোয়না হায়জরি হায়না রোস্কোমনাদজোরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি। মান্নবা মেসেজ অমা ভিকোন্টাকটেদসু থাখি।*

*চহী ১৮ শুদ্রিবশিংবু অয়াবা য়াওদনা লম্বীদা পাঙথোকপা প্রোটেষ্টশিংদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনবশিংবু জেলগী চৈরাক ফংহনবা য়াবা লেজিসলেসন অমা কুমজা ২০১৮ দা রশিয়ন লোমেকরশিংনা শৌগৎখি। মদু মহাক্কী থবক থৌরাংশিং থিংজিন্নবা লৌখৎপা থৌরাংশিংনি হায়না নভালনিনা মতমদুদা ফোঙদোকখি।*

# কোভিদ-১৯ কেস ৱাংখৎলকপদগী নন-এসিএসিএল সর্জরি, লাইভ এন্টরটেনমেন্ট কেন্সেল তৌখ্রে



দুবাই, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
মিদল ইষ্টকী ত্রেদ হব দুবাইদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা নন-ইসিএন্সিএল সর্জরি থা অমা চুপ্পা লেপহনখিবগা লোয়ননা মখা তাবা নোটিশ থোক্তিফাওবা হোটেলশিং অমসুং রেষ্টোরেন্টশিংদা লাইভ এন্টরটেনমেন্ট থিংজিনখ্রে।

দুবাইগী হেল্থ রেগ্যুলেটরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, শগোলশেন নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী চৎনবা হৌগদৌরিবা অকক্নবা সর্জরি মখল খরা মতম য়ৈথোকপগী ৱারেপ অদু কোভিদ-১৯ কেসশিং মেনেজ তৌনবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংনা শেম শাবা ঙমজনবগীদমক্তনি।

কোরোনা ভাইরসকী চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্তবদগী কোভিদ ইনফেক্সন ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা দুবাইগী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা সার্ক্যুলর অমনা হোটেলশিং অমসুং রেষ্টোরেন্টশিংদা এন্টরটেনমেন্ট লেপহনখি।

য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসতা নুংতিগী থেংনবা কেস মশীংগী চাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রেকোর্দ ওইবা মওংদা ৩,৫০৬ য়ৌখি। মশীং অসি গল্ফ অরব লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবনি। লমদম অসিগী অতৈ ষ্টেট মঙাদা নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা কোরোনা ভাইরস কেস মশীং অসি ৫০০ গী মখা ঙাক্তনি। য়ু এ ঈনা এমিরেট খুদিংমক্তা থেংনরিবা ইনফেক্সনশিং তোঙান তোঙাননা রিপোর্ট তৌদে।

অনৌবা ষ্ট্রেনশিং য়াওনা লৈবাক কয়ানা কোভিদ-১৯ কেস ৱাংখৎলকপদগী অনৌবা লোকদাউনশিং থম্লরিঙৈদা ইন্টরনেস্নেল ত্রাভেল হব অমা ওইরিবা দুবাইদা ভিজিটরশিং থোমজিন্নখি। মরু ওইনা ওক্টোবরদগী হৌগদৌরিবা ফ্যেরগা মরী লৈননা সিটি অসি ভিজিটরশিং লাকপা হেনগৎলকপনি।

য়ু এ ঈদা কোরোনা ভাইরসকী অথিংবা অয়াম্বা লৌথোকখ্রবসু মীয়াম মরক্তা মাস্ক উপ্পা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং অসিদি মখা তানা চৎনহল্লি। ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা বৃটেননা য়ু এ ঈবু ত্রাভেল কোরিদোর্স লিষ্টতগী লৌথোকখি।

দুবাইদা লৈবা আইরিস ম্যুজিয়ন অমা ওইরিবা দেক্লান ওসুলিভাননা হৌখিবা ওগষ্টতা লাইভ পার্ফোমেন্স অমুক হৌখি। তৌইগুম্বসুং ইভেন্ট মশীং অমদি রেভিন্যুদি পেন্দমিক্কী মমাংদা লৈখিবা অদুগী চাদা ৩০ দগী চাদা ৪০ রোমদনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কনাদাগী ক্রুদো প্রসিদেন্ট বাইদেননা ফোনদা ৱারী শানবা অহানবা ফোরেন লিদর ওইরগনি



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৪৬ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং ফোরেন লিদর অমদা ফোনদা ৱারী শানবা অহানবা ওইনা জো বাইদেননা কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদোগা ৱারী শান্নরগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

জো বাইদেন অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসকী ইনোগ্যুরেসন মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রেস সেক্রেটরি জেন পসাকিনা হায়খি মদুদি, মখোয়না লৈবাক অনীগী মরী অদু কিষ্টোন পাইপলাইনগী মতাংদা খন্নগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।

ফোনদা ৱারী শান্নগদৌরিবদু কনাদাদগী অমেরিকান গল্ফ কোষ্ট ফাওবা থাউ পুগদৌরিবা কিষ্টোন পাইপলাইন প্রোজেক্টকী হৌজিক লৈরিবা প্রসিদেন্সিএল পার্মিট রিভোক তৌবা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমদা বাইদেননা খুৎয়েক পীরবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগনি।

মদুগী পাউখুম ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ক্রুদোনা হায়খি মদুদি কিষ্টোন প্রোজেক্টকী মতাংদা প্রসিদেন্টনা মথক্কী ইলেক্সন কেম্পেইনদা শকখিবা ৱাশক থবক্তা ওন্থোক্ল বা ৱারেপ লৌরক্লিবসি নীংবা কায়নিঙাই ওইরবসু ঐখোয়না একনোলেজ তৌই। পোল্যুসন হন্থহনবা ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবা, কোভিদ-১৯ থেংনবা, মিদল ক্লাসকী মীওইশিংদা থবক পীবা অমসুং মীপুম খুদিংমক্কীদমক্তা সষ্টেনেবল ইকনমিক রিকভরি লৈহন্নবা হোৎনবদা বাইদেনগা খুৎশম্নুনা থবক তৌমিন্নবা পান্মী।

কিষ্টোন এক্সএল প্রোজেক্ট অদু হান্নগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা কুমজা ২০১৫ দা রিজেক্ট তৌখিবনি। ৱারেপ অদু হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৭ তা রিভর্স তৌদুনা পাইপলাইন অদু শানবগী প্রসিদেন্সিএল পার্মিট পীখিবনি।

# চাইনিজ এম্বেসিগী একাউন্ট থিংজিনখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
উইঘুর নুপীশিংগী ৱাখল অৱাংবা থাক্তা পুখৎপীবদগী হৌজিক মখোয় অঙাং শাবগী মেছিনশিং ওইদ্রে হায়না ফোঙদোকপা ত্বিটর অমগা মরী লৈননা য়ু এসতা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিগী একাউন্ট থিংজিল্লে হায়না ত্বিটরনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরগী স্পোক্সপর্সন অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, মীওইববু তাথি তাওইনা তৌবীবগী মায়োক্তা লৈরিবা ঐখোয়গী পোলিসি খোঙ্গাওনবগীদমক্তা ত্বিটর অদুগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎখিবনি। চাইনানা উইঘুর অমসুং অতৈ মুস্লিম মাইনোরিটি মিল্লিয়ন অমা হেন্না লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা সিঞ্জিয়াং রিজনদা লৈরিবা রি-এদ্যুকেসন কেম্পশিংদা থল্লিবনি। চাইনানা কেম্পশিং অদু মীয়াম্বু টেররিজমদগী লাপথোকহনগদবা থবক্কী ত্রেনিং সেন্টরশিংনি হায়রিবনি।

## স্বিদেনদা মখা তানা চেকশিন থৌরাং চৎনরি

স্তোকহোম, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
স্বিদেনদা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সনগী চাং হন্থরকপগী খুদম চাংদমশিং লৈরবসু লায়চৎ শন্দোরকপা লাকশিন্নবগী থৌরাং মখা তানা চৎনহন্দুনা মহৈ তমহনবগা লোয়ননা পব্লিক ইমপ্লোয়ীশিং মখা তানা য়ুম য়ুমদা থবক হৌহল্লি।

য়ুরোপকী অয়াম্বা মফমশিংদা চৎনহল্লিবা লোকদাউন মওং স্বিদেনদদি চৎনহন্দনা লাক্লবসু হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা কোভিদ-১৯ কী অনীশুবা ৱেভ অমা লাকখিবদগী লায়চৎ লাকশিন্নবগী অথিংবশিং তপ্পা তপ্পা কনশিনখি। থৌরাংশিং অদু মহৈ য়ানবগী মওং উবা ফংখি।

লৈবাক অদুগী মফম খরগী ফীভম ফগৎলক্লি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর ষ্টেফান লোফভেননা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি লৈবাক অদুগী লমদম খরদা লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খরা নেমথরকপা উরবসু হৌজিকসু ফীভম লুনা লৈরি।

গভর্ণমেন্টনা হায় স্কুলশিংগী ওইনা ওনলাইনদা মহৈ তম্বা য়াহনখ্রবসু মতম খাইদোক্লরগা স্কুলদা মহৈ তম্বসু য়াহনখি। স্বিদেনদা হান্নদি মীয়াম্না ফেস মাস্ক শীজিন্নখিদে। মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ফেস মাস্ক শীজিন্নবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি হৌখিবা দিসেম্বরগী অথেংবদা হৌখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা স্বিদেনদা অনৌবা কেস ৪,৭০২ থেংনদুনা হৌখিবা দিসেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা নোংমদা দিটেক্ট তৌখিবা চাংদগী য়াম্না হেন্না নেমখি।

# লৈঙাক্না ভেক্সিনগী মতাংদা ৱা ঙাঙহন্দনবা হোৎনরে: থাই ওপোজিসন পোলিটিসন



বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
নিংথৌ মহাবজিরালোংকোর্নগী কম্পনি অমগী মপান তাংগদবা গভর্ণমেন্টগী কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন ষ্ট্রেটেজি য়ানিংদবা উত্তুনা ঙাঙবদা অথিংবা পীনবা হোৎনরক্লে হায়না থাইলেন্দগী অথিংবা থমখ্রবা ওপোজিসন পোলিটিস্যন অমনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

থাই মোনর্কিগী মিংচৎ থিহনবগী ক্রিমিনেল কমপ্লেক্ট অমা মায়োক্লরিবা ওপোজিস্যন পোলিটিসন থানাথোর্ন জুৱাংরুনগ্রুৱাংকিটনা চয়োল অসিগী অঙনবদা গভর্ণমেন্টবু ভেক্সিন কেম্পেইন লান্না চথে হায়না মরাল শিখি। কেম্পেইন অদু নিংথৌগী কম্পনি সিয়াম বাইওসাইন্সকী মপান কা হেন্না তাংমল্লি অমসুং অতৈ কম্পনিশিংগা নিগোসিএসন তৌনদবনা কেম্পেইন অদুনা মীয়ামগী হকশেল ঙাক শেনবদা মতিং থোক্না কান্নহল্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থাই কম্পনি অদু নিংথৌনা হকথেংননা কন্ত্রোল তৌবা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী ইনভেষ্টমেন্ট কন্ত্রোল তৌরিবা ক্রাউন প্রোপর্টি ব্যুরোনা চলাইবনি।

প্রদক্সন কেপাসিটি হেনগৎনবা বাট মিলিয়ন ৬০০ (দোল্লর মিলিয়ন ২০) গভর্ণমেন্টগী সবসিদি ওইনা ফঙখিবা সিয়াম বাইওসাইন্সনা অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ য়াখি। ভেক্সিনশিং অদু কম্পনি অসিনা থাইলেন্দ অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংদা চাইথোক্কদবনি।

অষ্ট্রাজেনেকাগা তৌনখিবা দিল অদু ত্রন্সপরেন্সি ৱাৎলি অমসুং ফজ দবা মওংদা সিয়াম বাইওসাইন্সতা অতৈ কম্পনিশিংদগী হেন্না খুদোংচাবা পীখি হায়না থানাথোর্ননা ফোঙদোকখি। ক্রিটিসিজম অসিগা মরী লৈননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুথ চান-ওচাগী গভর্ণমেন্টনা থানাথোর্নগী মায়োক্তা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখিবনি।

কমপ্লেন্ট অদুদা চান-ওচানা ওপোজিসন পোলিটিস্যন অসিবু নিংথৌদা ঈকায়বা পী হায়না মরাল শিখি অমসুং মদুগীদমক্তা মহাক চহী ১৫ জেলদা লৈবা য়াই হায়খি।

# চাইনাগী গোল্ড মাইনরশিং রেস্ক্যু তৌবা ঙমগদবা নুমিৎ ১৫ নি ৱাৎলি

কিসিয়া, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ১০ দগী চাইনা গোল্ড মাইন অমদগী থোকপা য়াদনা লৈরকখিবা ৱার্কারশিং রেস্ক্যু তৌবা হায়বসি নুমিৎ ১৫ নিগী মতম চঙখিগনি হায়না শগোলশেন নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না, মাইনরশিংগী থোকফম লম্বী ওইগদৌরিবদু ব্লোক তৌখিবদগী মখোয়বু কনবদা মখা তানা নুমিৎ ১৫ নি ঙাইবা চঙগদৌরিবনি। সান্দোং প্রোভিন্সকী য়ান্টাইনগী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা লৈবাক সনা থোকপা লমদম অমা ওইরিবা কিসিয়াগী হুমান মাইনদা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোক্তুনা পুন্না মাইনর ২২ লাংদা থুবগুম লৈনাংদগী থোকপা য়াদনা লৈরকখি।

মাইনর অমা শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌরে অমসুং মাইনর ১১ হিংলি। অতৈ মাইনর ১০ দি মফম খঙদ্রি। মীওই ১০ না লৈরিবা মফম য়ৌবা ঙম্নবা শগোলশেন নুমিত্তা মাইন অদুগী ময়াইদগী হুৎপা হৌখি। হুৎলিবা মফমদু মাইনদুগী চংফমগা মিটর ৬০০ হেন্না লাপ্লে। হৌজিক ফাওবদা মাইনরশিং অদুদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হীদাকলাংথকশিং থাদুনা লাক্লি। অতোপ্পা মাইনর অমা তোঙানবা সেক্সন অমদা লৈরম্বা থেংনখি। নৌনা ইঞ্চি ২৮ লাওনা হুৎলিবদুনা মাইনরশিং অদুবু কনবা ঙমহল্লগনি হায়না থাজনরি। নেস্নেল মাইন সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না, চাইনাগী মাইনশিং মালেমগী খ্বাইদগী কিনিঙাই ওইবশিংগী মনুং চল্লি। কুমজা ২০২০ দা চাইনাদা মাইনগা মরী লৈনবা এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ৫৭৩ শিখি।

# নেপালনা এভরেষ্টতা চাইরিবা পোথি পোৎকুমশিং আর্ট ওন্থোক্লগনি

কাথমান্দু, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) : নেপালদা মাউন্ট এভরেষ্টতগী খোমগৎপা পোথি পোৎকুমশিং আর্ট ওন্থোকপগা লোয়ননা অনকপা গেল্লরি অমদা উত্তুনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংজাও অসিবু শীজিন্নবা য়াদ্রবা ফত্ত হৌদিশিং লংথোকফম ওইহনবদগী কন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিল্লগনি।

চীংকারোয়শিং অমসুং ত্রেক্করশিংনা লংথোক্লম্বা শীজিন্নখ্রবা ওক্সিজেন বোটলশিং, শেগায়রবা টেন্টশিং, থৌরি মতৎশিং, অতেকপা লেদরশিং, কেন অমসুং প্লাষ্টিক ৱাপ্পরশিংনা ফুট ২৯,০৩২ (মিটর ৮,৮৪৮.৮৪) ৱাংবা চীংদোল অমদি অকোয়বা এরিয়াশিংদা চাইরিবা অসি আর্টৱার্ক শেম শাবদা লোকেল আর্টিষ্টশিং ইনগেজ তৌগনি হায়না সগরমাথা নেক্স সেন্তরগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর অমসুং কো ফাউন্দর তোম্মি গুসতাফসননা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা খুদোল ওইনা পীবা কোভিদ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ২ ধাকা এয়রপোর্টতা থুংখ্রে



ধাকা, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতা খুদোল ওইনা পীবা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাবা ওক্সফোর্দ অষ্ট্রা জেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন অনী শগোলশেন নুমিত্তা ধাকাদা থুংখ্রে।

ভেক্সিন দোজশিং অদুবু পুদুনা মুম্বাইদগী পাইখিবা এয়র ইন্দিয়া চার্টর ফ্লাইট ১২৩২ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.২০ তাবদা ধাকাদা লৈবা সাহজালাল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতা থুংখি।

ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা ত্বিটর অমদা হায়, ধাকাদা ভেক্সিন থুংখ্রে। মদু ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকা লৈনবা মরী খ্বাইদগী লুনা লৌই হায়বগী খুদম চাংদমনি। খুদোল ওইনা পীবা ভেক্সিন দোজশিং অদু শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিলদা ষ্টেট গেষ্টহাউস পদমাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হৌনবী মতুং ইন্না শিন্নগদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াগদৌরিবশিংদুগী মনুংদা বাংলাদেশকী ফোরেন মিনিষ্টর একে অব্দুল মোমেন, হেল্থ মিনিষ্টর জহিদ মালিক, ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর ফোরেন এফ্যের্স এম দি সহরিয়র অলম, বাংলাদেশতা লৈবা ইন্দিয়াগী হাই কম্মিস্নর বিক্রম কুমার দোরাইস্বামি অমসুং অৱাংবা ধাকাগী গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং য়াওরি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দ অমসুং দ্রগ মেকর অষ্ট্রাজেনেকানা পুথোকপা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা শাখি। জন্যুৱারী ৮ দা বাংলাদেশনা ইন্দিয়াদগী কোভিসিল্ড ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৩০ লৌবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখি।

বাংলাদেশতা ভেক্সিন মরাং কায়না লৈরগনি হায়বসি ঐখোয়না খঙলে। অদুনা ঐখোয়না সেদ্যুলদগী ঙনখৎনা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌবা য়ারগনি হায়না মোমেননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়ানা নেপালদা লেম্না পীখিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন অমা শগোলশেন নুমিত্তা কাথমান্দুদা থুংখ্রে। নেপালদা লৈবা ইন্দিয়াগী অম্বেসেদরনা ভেক্সিনশিং অদু কাথমান্দু এয়রপোর্টতা পাঙথোকপা ফঙ্কসন অমদা হেল্থ মিনিষ্টর হরিদেশ ত্রিপাথিদা শিন্নখি। ইন্দিয়ানা 'ভেক্সিন মাইত্রি' ইনিসিএটিভকী মখাদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা ভেক্সিন পীরিবনি।

# চাইনানা ত্রম্পকী ওফিসলশিংদা অথিংবা থম্বনা কান্নবা পুরক্লোইঃ বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২১ (এজেন্সী) :
চাইনানা মমাংগী ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংদা অথিংবা থমখিবা অসিনা কান্নবা অমত্তা পুরক্লোই হায়না প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী নেস্নেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সপার্সন অমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। থৌওং অদুবু কন্দেম তৌনবা মহাক্না পার্টি অনীমক্কী মীওইশিংদসু আপীল তৌখ্রে।



য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বাইদেননা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক্লিঙৈ মতমদা চাইনানা ওফিস থাদোক্লগদবা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পম্পিও অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী মখাদা লৈবা অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল ২৭ কী মায়োক্তগা অথিংবা কয়া লাউথোকখি। মদু বৈজিংনা ত্রম্পকী মখাদা ৱাশিংটনগা লৈনবা মরীবু খ্বাইদগী থৌশাদবগী থৌওং ওইখি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, পম্পিও অমসুং অতৈনা চাইনাগী মনুংগী ওইবা এফ্যের্সতা খুৎ থিংজিনখিবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী নত্রগা অদুগুম্বা থৌরাংশিং শৌগৎখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা য়ু এসকী এক্স ওফিএলশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংবু চাইনাদা চঙবা থিংবগা লোয়ননা মখোয়গা শম্নবা কম্পনিশিংবু চাইনাদা বিজনেস তৌবদা রেষ্ট্রিসন থমখি।

ৱাশক লৌবা নুমিত্তা অসিগুম্বা অথিংবশিং থম্বা হায়বসি পার্টিশিংগী মরক্তা লৈরিবা মত মান্নদবগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী থৌওংনি হায়না বাইদেনগী নেস্নেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সপার্সন এমিলি হোর্ননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

অসিগুম্বা মশানা তৌবনা চুম্মী খনবা কান্নরোইদবা থৌওং অসি পার্টি অনীমক্কী অমেরিকানশিংনা ক্রিটিসাইজ তৌফম থোকই। অমেরিকাবু হীরম খুদিংমক্তা চাইনানা লম্বা তৌবা ঙমহন্দনবা পার্টি অনীমক্কী লুচিংবশিংগা থবক তৌমিন্নবা হায়বসি প্রসিদেন্ট বাইদেনগী অপাম্বনি হায়না হোর্ননা ফোঙদোকখি।

ওফিসকী টর্ম লোইগদবা চয়োল খরদমক ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা চাইনাগী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং লাউথোকখিবা পম্পিওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখিবা অমদা চাইনানা উইখুর মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা জেনোসাইদ অমদি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা ওইবা ক্রাইমশিং চথখি হায়খিবনি।